# “লনশোৎপীনা পাউখুম ৱাত্তে-!”

- এল ইবোমচা -

মালেম তাইবঙসিদা লৈরিবা ফূরুপ খুদিংমক্কী হৌরকফম ৱারী লৈনবগুম মীতৈ ফূরুপকীসু লৈ। মীতৈ ফূরুপকী ওইনসু মীতৈ খুন্থোক্লোন লৈজরিবা অসিনা লেঙদ্রবা খুদম্নি। মীতৈগী থাজনবীদা তাইবঙ মীওইবসি অহানবদা ঙাচক, অনীশুবদা ঙামু, অহুমশুবদা হঙোই, মরিশুবদা য়োং, মঙাশুবদনা তাইবঙ মপূগী মমীনি হায়রিবা হৌজিক ওইরিবা তাইবঙ মীওইবগী শক্তম অসিনি হায়দুনা থাজনৈ। অদুগা হৌজিক্কী মতমদা খঙনরিবনা নুপা অমসুং নুপী অনী নুংশি চান্ননা যূম্বানমিন্নবদগী মথং মথং চাদা নাওদা শন্দোরকপা ওইগনি হায়বসিনি।

খন্নদুনা য়েংবা য়াই মদুদি ঙসিদগী চহী ৬০ মুক্কী মমাঙ হায়বদি এম কোইরেংনা চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা কুমজা ১৯৬৩ মতম অদুৱাইদা ইম্ফাল সহর মনুং অমসুং অকোয়বা খুঙ্গং, লৈকায়, লোইজিং লোয়া শিনবা থুংবদা মী য়াম্না লৈরমদবনা যূম লন্না-লন্না তানরম্মী। মরম অসিনা শুমাং, মাঙ্গোল, য়েন্নখা-লুখা অমদি ইঙ্খোল য়াম্না পাক চাউরম্মী। পাক চাউরবা লম্মাংশিংদা উপাল-ৱাপাল মরাং কায়না লৈবনা নোংজু পান্থাগী মতমদা অয়ূক, নুংথিল অনীমক্তা নুমিদাংগুম মম্মী। য়েংখি য়েংখিবা মায়কৈশিংদা উপাল-ৱাপালনা শুক্লা হৌবনা মী অমগী মমিং অমা খূৎ অনীনা চিনবান্দা খল্লগা কৌবদা খোন্থাং য়ৈরম্মী। মতম অদুৱাইগী মীশিংনা খ্বাইদগী য়াম্না চেকশিন্না লৈনবসি লম্লক্কী শা-উচেকশিং অসিদগী ঙাকথোক্লুবা হোৎনবা অসিখক্তনি। মতমদুদা ইম্ফাল মনুংদা ফাওবা লমহুই খোংবগী মখোলসু তানরম্মী অমদি শওম, কৈজেংলাং খুল মনুংদা মরাং কায়না লৈবনা য়াম্না কিনরম্মী। অদুগা লৈচিল নোংফাই থাংদবা মতমদা নোংথক্তা য়েংখৎপদা পূক্লিং হুনা ফজরবা শংবান্নবা মচুগী অতিয়া ওইনা উই। মরমদুনা লম্মাং তুম্মাংদা লাপ্পা য়েংথোকখিবদা তনিক তনিকপা নুংশিৎকী ঈথক ঈপোম কাবা উই।

ঐগী ইঙ্খোলসি মসিদগীনা তু! আদা! তেরা পান্থী অমা হৌরিবা মসি ফাওবনি, তু! আদা খোংনাং পান্থী অমা হৌরিবা মসি ফাওবা অমসুং তু! আদা হৌরিবা হৈনৌ পান্থী অসি ফাওবনি হায়দুনা খুদোম্বীদুনা থিন্দুনা তাক্লরম্মী। লৌবুক্কী ৱাদি হায়নরুবগী কান্নদে, লৈঙাক্তা চহীগী কান্নদবদা অরেম্বদা খাজনা থিদোকপা পাম্মুই হায়না মীঙোন্দা শেল খরদা নৎত্রগা পোৎ অমগা শিন্নরগা ওন্থোক্লে। অদুবু ঙসিদি চহী ৬০ মুক অসিগী মতুংদা ইম্ফাল মনুংদি লায়রদনা খুঙ্গং, লৈকায় পূম্নমক মীগী মী ঙাক্তা ঙাইরে, যূম্না কৃক-কৃক ইন্নরে। ঙসিদি খ্বাইদগী হোঙবসি মীনা ওইরে হায়দুনা কনা কনাগুম্বনা ফাগি ওইনা ঙাঙনরক্লে। মরম অসিনা মীশিং য়ামখৎলকপগী মতিক লমগী ভেল্যুসু ৱাংখৎলক্লে। লম খোপ্লিংবা লম খোপচিনবা মী মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা লমগীদমক্তা খৎন-চৈনবা কেস তৌনবনচিংবা ৱাথোক লান্থোক কয়ামা থোক্লে।

ঙক্লিবদি মণিপুরদা মহৌশা অমুক্তা তৌরমদবা মওংদা ফূরুপকী মমিংদা লৈবাক অমমম শেম্নবা ফূরুপ খরনা লম মুন্নবা লান চথুরক্লিবা অসিনি। হায়বদি কুকিশিংনা মখোয়গী ফূরুপকী ওইবা মমিংদা কুকিলেন্দ শেম্নবা মণিপুরদগী লম মপাক অমা শেৎতুনা লৌরগে মতাগুম লম মপূ ওইরিবা মীতৈশিংদা লান তারক্লিবা অসিনি। হান্নদি কুকিগী মীশিংসি অদুক হাক্লা য়াল্লমদবনি অদুবু চীংগী এম এল এ অমদি এম পি ইলেক্সন্দা কেন্দিদেট ওইরিবা কুকিশিংনা ভোট কাহৌনবা হোৎনবা ওইনা ম্যান্মারগী মখোয়গা নাৎ, চৎনবী, লোল মান্নবা কুকি ময়াম অমা কৌশিল্লগা ভোটর লিষ্টতা মিং চলহন্দুনা খুল মশীং খঙদনা শেমখিবদগী মীগী মীশিং খংৱাং ৱাংখিবনি।

দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তি মী অমা হেনবদা ইলেক্সন মায় পাকপা হায়বদু চিংবনা মায় পাক্লনবা হোৎনবদা মীরমদগী মখোয়গা ফূরুপ মান্নবা মীওই মশীং খঙদনা কৌশিনবদগী মীশিং য়ামখৎলকখিবনি। ঙসি ঙসিমক কুকি এম এল এ ১০ কাবা ঙল্লিবসি মপান্দগী নৌনা চঙলকখিবা কুকিশিংসিগী মপান্দগীনি। হান্নদি চীংগী এ সীশিংদা নাগা এম এল এ মশীংনা য়াম্না হেন্না কারম্বনি। অমরোমদা এম কোইরেংনা কুমজা ১৯৬৩দা চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা চহীদগীনা ঙসি শ্রী এন বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইবা চাউরাক্লা চহী ৬০ রোম অসিদা খ্বাইদগী চহী শাংনা লৈঙাক পায়রকখিবা অসি কোংগ্রেস পার্টিনি। হায়বদি কোংগ্রেসনা চহী ৪০গী মথক লৈঙাক সাসন তৌই অদুগা লেমহৌরিবা চহী ২০ রোম অসিনা অতৈ অতৈ পার্টিশিংনা মচেৎ মকাইদা ওইনা লৈঙাক সাসন তৌখি। মণিপুর অসি শরুক তরা থোকপগী মনুংদা অমনা তম্পাক্কী শরুক্লি অদুগা মাপন্না চীংগী শরুক্লি হায়বসিদি মণিপুরদা লৈরিবা পূম্নমক্লা খঙদুনা লৈরবনি। মসিদা চহী ৪০ হেন্না লৈঙাক চলাইরম্বা পার্টি অমখক্লা হৌজিক মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দ মরু ওইনা, চপ মান্নবা লেন্দ লো শেম্বা, এন আর সী চৎনহনবা অমদি পোপি পান্থী থাবা থিংবগী থবকশিং অসি করিগী তৌরমদবনো হায়বসিনি। চহী ময়াম অমা শাংনা লৈঙাক সাসন তৌরম্লবা পার্টি অমনা অসুক য়াম্না মরু ওইখ্রবা থবকশিং তৌবিরমদবনা ঙসিগী তমথীরবা লান অসি থোক্লকপা ওইগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

অমরোমদা, হন্দক্কী লান অসিদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী য়াম্না চাউবা শোয়খিবা অমা হায়বা তারবদি এপ্রিল ২৯, ২০২৩দা চীফ মিনিষ্টর মশানা শঙ্গাগদবা মিনি স্পোর্টস কমপ্লেক্স নুমিৎতু মক্তদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা য়ৈখাই থিনগাইবা অমদি মাঙহন তাকহনখিবদা করিগুম্বা এক্সন অমত্তা লৌখত্তনা মখোয় মশেল খৎনজবনি হায়না তয়াং তয়াংনা খন্থবা তৌদনা হায়খিবদুনি। অমরোমদা, ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমা লাকপা নুমিত্তা চূড়াচান্দপুরদা কুকিশিংনা শিনবা রেল্লি চৎপদা করিগী অথিংবা পীদবনো হায়বসিনি। হায়রিবা থৌরাং অনীসিদং চীফ মিনিষ্টরনা মদু তৌবা য়ারোই হায়না ব্লেঙ্ক ফায়র ৫/৬ লক্তং বঙ-বঙ লাউনা নোংমৈনা কাপ্লম্বদা ঙসিগী তমথীরবা লাঞ্জাও অসি শুকথোক থোক্লম্লোই। অদুগা ফোরেষ্টকী অমসুং পোপিগী মতাং অসিমদি শ্রী এন বিরেন মহাক মশা মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্কী মতমদা মিনিষ্টর ওইরম্বনা পূম্নমকশিংদু হান্নদগী খঙবদগী মানা চীফ মিনিষ্টর ওইরক্লবা তুংদা থবক ওইনা পাঙথোক্লককপনি, থাগৎপীফম থোকই।

লাইবক থীবা হায়বা তারে কনাগুম্বা মপা মমানা হেক পোকপা মচাশিংদা অচান মীরাই নাইনা য়েংবগুম্না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক মণিপুরদা মীতৈ অমদি কুকি অনীগী মরক্তা থোক্লিবা লান অসিদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিনি। হায়বদি লানসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈবাক গুজরাটতা অমদি উত্তর প্রদেশকুম্বা খরা চাউবা ষ্টেটতা থোক্লম্বা ওইরবদি নোংমদি লায়রদনা পুং খরখক্কী মনুংদা নহান্না লোইশিল্লম্লগনি। কুকিশিংনা মরম শুকচা চাদনা মীতৈশিংদা লান্দারক্লিবা অসিগী মরমসু মাগী হৈশিংলবা এজেন্সী ময়ামদগী নহান্না লোইনা খঙলম্লগনি। ম্যান্মার মচা কুকিশিংনা মরাল লৈতবা মীতৈশিংদা লান্দাশিনবনি হায়বদু শোয়দনা খঙলমগনি। মদুসু মশাগী অশেংবা ঙমখৈ লৈজরিবা মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইরগা কুকিলেন্দ কৌবা কুকিশিংতগী ওইবা লৈবাক অমা শেম্নবগীনি শোয়দনা খঙলমগনি।

মণিপুরগী চীংমায়শিং শিৎ নান্না মরূ কোকথোক্লগা পোপি পান্থী থারগা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী পোৎলম কানি, হিরোইন পাওদর শুংলগা মালেমগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিং ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তা লংথদুনা তোরা তুনা মাঙহন্নবা হোৎনরিবা ফূরুপনি খঙলিবনি। পূম্নমকশিংসি খঙনা খঙনা প্রাইম মিনিষ্টরনা অচান মীরাই নাইনা য়েলহৌমী শারিবা চাউবোক নার্কো কুকি মিলিটেন্টশিংদা মতেং পাংশিন্দুনা মীচং চঙবনি। নৎলমদ্রবদি মৈরি থোক্লা চাক্লিবা মণিপুরগী মতাংসিদা পূম্নমক্কী মপী মপা শক্লবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অসুক শাংলবা মতম অসি ৱাহৈ অমা ফাওবা ফোঙদোক্তনা লাক্লিবা অসিদি তৌরম্লোই।

মহাক্লুম্বা মীশক অমনা অসুম্না তৌবা হায়বসি মালেমগী মাঙদা মীতৈ ঐখোয় ইন্দিয়াগী সিটিজন অমনি হায়বদা ইকায়বা ফাওই। মরম অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর অচান মীরাই নাই হায়দবা শুকয়া য়ারোই। নাকল অমরোমদা মণিপুর মীতৈশিংনা য়াম্না শাওনীংবদি চহী ৪০ মুক মণিপুরদা লৈঙাক সাসন তৌরম্বা পোলিটিকেল পার্টি অমনা মখোয়গী মতমদুদা হৌজিক মীয়াম্না পাল্লিবা দিমান্দশিং অসি থবক ওইনা তৌরমগে হায়বদি শুকখন খন্দ্রগা হৌজিক্তদা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমনা লৈঙাক সাসন পায়রক্লবা মতম অসি খক্তদা ওইদা-পাদবা ৱাহৈ কয়া ঙাঙলিবসি, “লনশোৎপীনা পাউখুম ৱাত্তে-!’ হায়বদুনি। ●

# মেনিফেষ্টো য়েংলগা ভোট পীগদ্রা?

মতম মতমগী

গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

কাউথোকখ্রো মীতৈ কুকি ফূরুপ অনীগী লান কাউথোকখ্রো, মীহাৎ থীনা হাৎখিবা, যূম মৈ থাদুনা তাল্লকখিবা, হিংনা হিংনা মৈ থাদুনা হাৎখিবা কাউথোকখ্রো, মঙক কক্তুনা হাৎখিবা, ঙসি ফাওবা হকচাং ফংবা ঙমদ্রিবা, চৎনবীগী মতুংইন্না মথৌ মঙম পাঙথোক্লুবা শরূ মচেৎ অমত্তা ওইরবসু ফংহনবীয়ু হায়না নীজবদা তাবীদ্রিবা, কুমওন ফিরোই য়ৌদ্রিবা পূম্নমক কাউথোকখ্রো। মশা মশাগী ময়ূমদা চঙদুনা লৈবা ফংদ্রিবা, মরমদমদা রিফ্যুজি ওইরিবা, লৌরি যূম্ফম মুনবীহৌবা পূম্নমক কাউথোকখ্রো। মশাগী মরল মথুম মুনবীহৌরবা, মশা মশাগী শিনফম পূম্নমক মাঙদুনা শূফম-নোম্ফম খঙদনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা অমদি চহী অমা হায়জিল্লক্লবা লান অসিনা মরম ওইরগা হকথেংননবু ওইরবসু নৎত্রগা নাকোয়ননবু ওইরবসু মখল কয়াগী অৱাবা চৈথেং নংলিবা পূম্নমক কাউথোকখ্রো। ঙসিদি ফেষ্টিবেল ওফ দেমোক্রেসিনি হায়রিবা মীখল লাক্লে, লাননা মরম ওইদুনা ৱাখিবা অমদি ৱারিবা পূম্নমক কাউথোক্লুগা মীখলদা মায় ওনশিল্লসি। লৈবাক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা লমদম অসিগী অৱাবা চৈথেং নংলিবা মীয়ামদা পীবা মতমসিগী পাউজেলনি। ৱাহৈনা মচিনথোক্লমক হায়দ্রবসু মখোয়গী মওং মতৌ অমদি বোদি লেংগ্বেজ অদুনা ময়েক শেংনা ফোঙদোরকপনি। লান নংলিবা লমদম অসিদা, লান মরক্তা মীখল পাঙথোকপা মতম চাদ্রি, ভোট খোম্বা লাকপা য়ারোই, লাক্লবদি মরূ কোকথোক্লুগা শুনু য়াইঙং তৈগনি হায়রবসু মীখলগী নুমিৎ লাউথোকখ্রে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙই মীখল নুমিৎ লাউথোকপগা লান পাথখিগনি, মীখলদা ঙাওজবা মীওইনা মশীং য়াম্না লৈবা লমদম্লি, সী এস ওগী মরু ওইবা লুচিংবা খরা নত্তনা অতৈদি ভোট থাদবা থোরক্কনি, পোল্লিং বূঠতা ক্যু শাংনা শাংনা লেপ্পনি হায়বা খঙই।

মীরেপ ওইগদবা মীওইশিংগী মিং লাউথোক্তুনা মীরেপ চে পীশিন্নখ্রে এপ্রিল ১৯ অমসুং ২৬তা মীখল শোয়দনা পাঙথোক্লুবা থৌরাং পূম্নমক লোইখ্রে। লৈবাক অসিগী মীখলদি চিন অমসুং শেলনা খূৎলায় ওইরগা থেংনবনি। চহী ফাজিল্লক্লবা লান মনুংদা লৈনুং চঙলুরবা লুচিংবশিং মরৈবাক মজাতি নুংশিরক্লে, লৈবাক নীংবা হৌরক্লে। মরূ কোক্লগা শুনু য়াইঙং তৈখিগদ্রা হায়না মপান থোক্তুনা ভোট খোম্বমক ঙমদ্রবসু হায় কম্মান্দগী য়াথং মতুংইন্না মশাগী ফম কঞ্জনবা অমদি এ সীগী লুচিংবশিংনা চানবীনবা মচি মচিদা মথি ফোংবা হৌনরক্লে। মীতৈদা লান্দারকখিবা কুকিশিংগী ওইনদি মীরেপ থাগৎলরোই হায়না লাউথোক্তুনা (অপান্থা মীনা ভোট থাদরবসু) মীখল য়াওদনা লৈখ্রে। ঐখোয়গীদি মদুমক্তি ওইদ্রে, মীরেপ তরুক্লা লম্বা তৌনরগনি। মতাং অসিদা ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা ৱাফমদি ঐখোয় মীখল য়াওগদ্রা, ভোট থাদগদ্রা থাদরগনা কনাদা পীগনি হায়বসিনা ওইরি। ঐখোয়না মীখল য়াওরবসু য়াওদ্রবসু মীখলদি শোয়দনা পাঙথোকখ্রনি। ঐখোয়না থাদখিদ্রবসু ভোট ১০, ২০ দং থাদরবসু মীহুৎতি অদুম খনখ্রগনি।

করম্বা পার্টিদা নৎত্রগা কনাদা করিগীদমক ভোট পীগনি? অকক্লবা পার্টি অমদা নৎত্রগা মীরেপ অমদা ভোট পীয়ু হায়জরোই, খোল্লুবগী মথৌ তাদে, হায়নবগী ইতিকসু লৈতে অদুবু মতম অসিগী ওইনা নৈনফম থোকপা ৱাহং অমদি ওইরি। সনাবুলদগী ঈশিং হৈদোকপগুম অতৎ অখম লৈতনা ঙাঙবা ঙম্বা কাঙবুদা ভোট পীগদ্রা? মমাঙদা লোক সভাগী মীখল ১৭লক পাঙথোকখ্রে, মীখল খুদিংমক্তা চিন্দা কোঙ্গোল কাবমখৈ, ঙকশমদা শিংলি থোকপমখৈ লাউদুনা ৱাশকখিবা খুদিংমক থবক ওইনা পাঙথোকখ্রবরা? মীপূম খুদিংমক্কী বেঙ্ক একাউন্টতা লুপা লাখ ১৫/১৫ চঙহনগনি হায়না একাউন্ট হাংহনখিবা অদু শেল চঙলকখ্রবরা? চহী খুদিংগী মীওই ক্রোর অনী/অনী থবক পীগনি হায়খিবা পীখ্রবরা? লৌমীগী ইনকম দবল ওইহনগনি, মীপূম খুদিংমক পক্কাগী যূমদা লৈহনগনি হায়খিবা থবক ওইনা পাঙথোকখ্রবরা? মসিনা লোইবা নত্তে, মশীং থাবদা লোইবা নাইরোই, নাইল তুরেলগী ঈচেলমুক শাংবা ৱাশক ঙাক্তনি। মসিনা দেল্লীগী লুচিংবশিংনা শকখিবা মীখল মমাঙগী ৱাশক্লি। ৱারী ওনখ্রবা অথাপ্পগী ৱাশকশিং থমখ্রসি, লমদম অসিগী ওইনসু হৌখিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল মমাঙদসু পাঙথোক্কনি হায়না ৱাশকখিবা কয়া লৈখি। লোইনমক কলমসিদা লৌখৎলুবা য়ারোইদবনা মচং ওইবা অমা অনীদং খনগৎলগা হঙ্গৎনা অমুক্তং য়েংমিন্নসি। মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি অমসুং য়েলহৌমীশিংগী হক ঙাকপা, কোলেজ তন্নিবী মেরিটোরিয়স ওইবা নুপীমচাশিংদা স্কুটি অমমম লেম্না পীবা, ক্লাস ত্বেলভ পাস তৌরবা মেরিট লৈবা মহৈরোয়শিংদা লেপটোপ ফ্রীদা পীগনি অমসুং অহল ওইরবা মীওইশিংদা পীবা পেন্সন লুপা ১,০০০দা হেনগৎকনি হায়বনচিংবা য়াওনা শকখিবা ৱাশকশিং মপূং ফানা পাঙথোকখ্রবরা? পার্টি অমখক্কী ৱাফম নত্তে, লৈঙাক পায়রবদি হায়বা ৱাহৈ অমমম লোয়নবনা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী ওইনা লৌখৎচবনি, পূম্নমক অম্মাগী অম্মানি। হিন্দিগী ৱাহায়দা ‘এক হি খেটকা মুল্লি’ হায়বদুনি, হেন্তাক পুম্মি হায়দুনা ঙারিনা শিনবগুম্বনি।

মীতৈ কুকি ফূরুপ অনীগী লান কনখৎলকপা মতমদা লৈনুং চঙদুনা লোৎখিবা, মশক উগে ফংখিদবা, মোইবুং খোংদুনা থিনখিবা লৈবাক্কী লুচিংবশিং মরৈবাক মজাতি নুংশিবা হৌরক্লে। শা থেংনরগা নোংমৈ নীংশিংলকই হায়নবগুম মীখল লাকপনা মীয়াম্বু নুংশিরক্লে। অৱা অনা তারবশিং মতেং পাংনীংলক্লে। লেংথৈনবদা কৌন-ঙাঙনরমদবশিং ঙসিদি যূম যূমদা চঙদুনা নহা অহল খায়দনা মখোঙ শোক্লা খুরুম্লক্লে। ভোটরশিংবু (লোইনমক নৎত্রবসু) অয়াম্বনা লান কাউখ্রে, লুচিংবশিংগী যূমদা, বঙ্গলোদা, ওফিসতা শঙ্গু শঙ্গু হোৎচিন্নরে। মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ত নীংশিংনদ্রে, মীয়ামগী মতেং পাংনীংবনা ঙাওচৎনরে, ভোটরশিংবু নুংশিবগী চাং খংহেন হেনগৎলক্লে। সিফাইনা ঙাক্লগা মতম পূম্নমক্তা লোন্দুনতা লৈরম্বা যূমগী অমদি ওফিসল ক্বার্টর, বঙ্গলোগী গেট লাওনা হাংদোক্তুনা থম্লে, চঙনীংবা মতমদা চঙবা য়ারে, অথিংবা লৈত্রে। লৈঙাকপা, লৈঙাক লুম্লিবা লুচিংবশিংগী হাইগৎ লাংদা লোইনমক নৎত্রবসু অয়াম্বনা থুখ্রে, মখোয়না থাবা মীখলগী য়াইদা পঙথখ্রে। ত্রেন মনুংদা ভেল্যু য়াম্না লৈরম্বা, লমথুংফম য়ৌবগা ইচম চম্বা চেজেৎ ওনখিবা ত্রেন টিকেটকা মান্নবা মীখল লোইবগা কাউথোকখিগদবা অনৌ অনৌবা, ওইথোকপা য়াররোইদবা পাঙথোক্লুরোইদবা ৱাশক কয়া য়াওবা তোঙান তোঙান্না মিংথোনবা মীখলগী মেনিফেষ্টো কয়া পুথোরকপা হৌখ্রে, ৱাংহৌরিবশিংগীসু মখা তানা পুথোরকখিগনি। তৌবগীবুদি লমদম অসিগী ওইনদি মীখলগী মেনিফেষ্টো অসিদি মমিংতগীনি। কনানবু মেনিফেষ্টো য়েংলগা ভোট পীখ্রবগে? পীরমগদবা মান্দে। মসিমক্লা মপান লমদা হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী মীখলদা লুপা লাখ ১৫/১৫গী আশাদা ভোট পীরুবগী নীংবা কায়খিবা অদুমক্তি লমদম অসিগী ওইনদি থোকখিদ্রে। ঙসিসু মেনিফেষ্টোদা থাজবা থমদুনা ভোট পীরক্কদবা মান্দে। মেনিফেষ্টো পুথোক্ত্রিঙৈদগী হৌনা লুচিংবশিংগী যূমদা, বঙ্গলোদা হয়িংখোই ওম্বগুম ওল্লিবা অমদি মীখলদা শরুক য়ারোই হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মফমদা মেনিফেষ্টোনা কৈদৌরুনি? মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা মেনিফেষ্টোনা ওলহনবা ঙমগদ্রা?

মমাঙথক্তা মেনিফেষ্টো য়েংলগা ভোট পীরক্তবা ভোটরশিং লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদদি মেনিফেষ্টোদা থাজবা থম্লগা ভোট পীরগদ্রা? পুথোকচসনু মেনিফেষ্টো, হাপচসনু মখল মখলগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম কয়া অদুবু ঐখোয়না য়েংগদবদি লৈঙাক পায়রবা মতুংদা শোয়দনা পাঙথোরক্কদ্রা হায়বদুনি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংদবু মেনিফেষ্টো পুথোকখি, ৱাশক কয়া শকখি, লৈঙাক পায়রবা মতুংদা শকখিবা ৱাশকশিং মপূং ফানা পাঙথোকখিবরা? ঙসিগী অনৌবা ৱাশকশিং পাঙথোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈবরা? মেনিফেষ্টো খুমজিনখিসি, পার্টিনা পুনশিন্দবা মীওইশিংগী ওইনদি পার্টিগী সিম্বোল নুংশিবগী ৱাখল থাদোকখিসি। পুংফম অসিগী মথৌ তাবদি ঐখোয়গী পূক্লিং ৱাখলবু লৈতাহন্দ্রিবা চহী হায়জিল্লক্লবা লান্দগী ঙাকথোকপনি, লান অসি থুপচিনবনি। লান অসি লোইশিন্নবা করম্বা পার্টিনা, করম্বা মীরেপ্পা হৌখিবা চহী অসিগী মনুংদা করি করিদি তৌখ্রবগে হায়বদু হঙ্গৎনা অমুক্তা য়েংখৎসি। মায় পাক্লবা মতুংদা তৌগনি হায়বদু তাখিগুমসি। তৌগনি, হোৎনগনি, পাঙথোক্কনি হায়বগী মহুত্তা তৌখ্রে, হোৎনখি, পাঙথোকখ্রে হায়বা পার্টি, মীরেপ্তা ঐখোয়গী হক শিন্নরসি। মী চারমদাইদা শিন্থরকপা গুন্তিরগী পিরাংদা থাজবা থম্লরোইসি। ●

# ভোটকী লাননা অশেংবা লানবু খুদুম চল্লকপা

## (ইমা পূম্নমক্লা মচাশিং কন্নবগী অপূনবা খোল্লাও লাউরম্বদগী মচেৎ মচেৎ তারক্লিবা অমসুং খুল ঙাকপশিং মরক্তা তীল চঙবা য়াওরবরা হায়না হায়নরক্লিবা ৱাফম অনীমক ভোট হায়বসিনা থোকহনবনি)

- সৌবাম বিরধ্বজ -

ইমা পূম্নমক্কী ৱাখল্লোনসি মান্নদে, এম এল এশিংগা নকশিন্ননা চৎমিন্নরিবা ইমাশিংগী ৱাখল্লোনগা এম এল এ মনাক্তা থোইদোক্লা নকশিন্নদবা ইমাশিংগী ৱাখল্লোনগা অনীগী মরক্তা খেন্নবা ৱাখল্লোন তোঙান তোঙাল্লি। ইমা মখল অনীমক্লা অমনা অমবু উশিৎনরক্ত্রিবা/হুন্নরক্লিবসি ভোট হায়বসি লাকপদগী থোকহল্লিবনি। এম এল এ মনাক্তা তোয়না চৎলিবশিংবু চত্তবশিংনা খোইরাং খোইশাওননা শেলদা চৎপগুম্না মখোয় মশেল তোখায় তোখায় তান্নহল্লি। ৱাফমসি য়াম্না চম্না খন্থোকপা য়ারক্তবা থাজনরক্তবনা মরম ওইদুনা, ঐখোয়দি হন্দক্তি শুংথোক থোক্লরোই, শেলসু খায়ররোই, মপানসু থোকচররোই হায়নরক্লিবসি অফবগী খুদমদি অমত্তা নত্তে। সোসাইটি অসি মনীং হল্লক্লুবগী সিগ্নেল অমনি।

খুল ঙাকপশিংগী মরক্তা চেঙ চঙবা খরা য়াওরকপা হায়বসিসু য়াম্না চেকশিন্নীংঙাইনি, য়াম্না পাম্মুজে হায়বা তারে, পূম্নমকসি ভোট হায়বসিনা থোকহল্লিবনি। থা ১১ চূপ্প’মা লিংজেল মান্নমা লাকপদু ভোট হায়বসি লাকপদগী অমগা অমগা আইদিয়া ওফ দিফরেন্ট ইদোলোজিনা তোঙান তোঙানবা লম্বীদা নাইতোম নাইতোম তোঙান তোঙান্না চৎনহল্লিবনি। অমরোমদা হায়রগনা (ঐগী ৱাখলগা মাগী ৱাখলগা মান্নদে হায়ববুনি) খল্লুবদা য়াম্না পাম্মুজে, অমুক পুনখৎপদা থাজনদবনা হেক্তা ৱাগদৌরিবনি। লায়না হেঞ্জিল্লক্ত্রিঙৈ লিদরশিপ ওইরিবশিংনা য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনবা অমা চঙই হায়না থমজনীংই। পোলিটিকেল লিদরশিংনা মাগী মাগী পোলিটিকেল গ্যেন ফংননবা হোৎনবদা নহা ওইরিবশিংবু মখোয়গী এরেনাদা চিংশিন্নবা হোৎনবদা লৈরম্বা গ্রুপ/কাঙলূপ অদু মচেৎ মচেৎ থুগাইনবা হোৎনরকপা হায়বসিদি মখোয়গী পোলিটিকেল থিওরিনি। মসিদনি ‘পোলিটিক্স ইজ এ দর্টি গেমস’ হায়না হেক হেক মমাঙঙৈদগী হায়নরিবসি।

ঐখোয়গী ইপা ইপু মমাঙঙৈদগী নিংথৌরোল ৭৪না মথং মথং পাল্লক্লিবা মতমদুদগী (১) পোইরৈ মীতৈ লৈপাক/পোইলৈপাক/কংলৈপাক হায়না খঙনরম্মী। (২) ‘কাথেস’ নৎত্রগা ‘পোন্নস’ হায়না ব্রহ্মাগা থংনরিবশিংনা কৌনরম্মী। (৩) ‘হসিও পো-লো-মৈন’ হায়না চাইনিজ শিংগা থংনবশিংনা কৌনরম্মী। (৪) ‘কাসে’ হায়না শান্স (তাইস) শিংনা কৌনরম্মী। (৫) ‘মোঙ্গলাই’ হায়না কছারি অমসুং বেঙ্গলিশিংনা কৌনরম্মী। (৬) ‘মেকেলে’ নৎত্রগা ‘মেখলে’ হায়না অসামিজশিংনা কৌনরম্মী। মিঙ্গৌশিং পূম্নমক লমদম লমদমদুগী থংনরিবা ঐখোয়গী লৈবাক্লা যূমথংনরিবশিংনা কৌনরম্বা মমিং ঙাক্তনি। অসুম্না মমৈথংদা হৌজিক হৌজিকমক কৌনরিবা ‘মণিপুর’ হায়না খঙনরিবসি ওইরকখিবনি। চীং অমসুং তম্পাক হায়বসিদা লৈমিন্নরিবা পূম্নমক মচিল মনাওনি হায়বসি থায়নঙৈদগী হায়নরকই। শান্তীদাস গোসাইনা তম্পাক্কী মীওইশিংদা রামান্দি ধর্ম্ম শন্দোক্লম্বা, নাকল অমরোমদনা ইংগ্রেজশিংনা চীংগী লমদমদা খৃষ্টিয়ান ধর্ম্ম শন্দোক্লম্বদগী তোঙান তোঙানবা ধর্ম্ম চৎনখিবদগী চীং-তমগী মরক্তা অচৌবা গেপ অমা লৈনখিবনি। হৌজিক্তি মীতৈ, নাগা, কুকি হায়বা কম্যুনিতি অহুমগী অচৌবা অমব্রেলা অমগী মখাদা কম্যুনিটি অহুমগী কাঙলূপ অহুম মতমগী মতুংইন্না ওইরক্লিবসিনি।

চৎলিবা চৈচৎ অসিগী হৌখিবা এপ্রিল ১৫দা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা তেল্লবা খোঙচৎ অমদা মহাক্কী মিনট ১৭/১৮ মুক্কী ওইবা ৱাহৈ চবুল খরা হায়বিরম্লে (পূম্নমক্লা তারিবা মক্তনি)। ভোট মমাঙদা থোকখিবা থা ১১ হৌখ্রবা লান অসিবু খান্বসু ঙম্বা অদুম মখা চথুহনবসু ঙম্বা ইন্দিয়াগী অচৌবা লুচিংবা ওইবনা শোয়দনা লান অসি লোইশিন্ননবা নাকল অনীমক্লা (য়ান্নগদৌবা ফজবা সোল্যুসন অমা থম্বীরম্লবদি) লাকপীরম্বগী মহয় ফংলমগদৌবনি। ভোট খক্তা পাম্বা সোল্যুসন পুথোক্তুনা থেমজিনবগী মমিদি তাদবা অসিনা ভোট লোইরগা ‘লান’ মখা চথুরকখিনি হায়না মীয়ামগী থম্মোয়দা লাংতক্লহল্লি। নাকল অনীমক ৱারী শানদুনা লোইশিনগদৌবনি নৎত্রগা পোলিটিকেল দাইলোগ তৌননবা হোৎনগদৌবনি, মদুগীমক তঙাইফদনা ঐহাক লাক্লিবনি, (ইহান হানবদা, নাকল অনীমক্লা নোংমৈ কাপ্পরিবসি লেপকদৌবনি) হায়না হায়বিরম্লবদি লমদম অসিগী মীয়াম্না ইন্দিয়াগী লুচিংবা অসিবু থম্মোয় শেংনা থাগৎনরমগদৌবনি। শুপ্নতংগী ভোট খোম্বখক ওইখিবগা লোয়ননা খ্বাইদগী অতেনবা স্পিচ অমগী রেকোর্দ থনম্লগা মণিপুরগী লৈমায়দগী অদুমক হনখ্রে। ‘য়াম্না ঙাঙলগদি য়াম্না শোয়বসু য়াই’ হায়না খনখিবা মাল্লি। মিনট ১৮ মুক্কী মনুংদা কয়া য়াম্না অফবা/নুংশিবা/কান্নবা/ৱাহৈশিং হায়রম্বা ঙমগদৌরিবনো? হন্দক্কী ২০২৪গী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্টকী মীহুত্তি খ্বাইদগী মতিক চাবা মীশক্তুদা পুল্লপ্পা নন্নসি। মীফম পাঙথোক্নবা হোৎনবদা শেল য়াম্না চঙহল্লিবসি অফবগী খুদম নত্তে। অমরোমদা হাপ্তা কাংজৈবুংদা লাক্লরিবশিংগী খুদোম্বীগী মমল কয়ানো হায়না হংনরক্লিবসি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি।

হৌখিবা নিংথৌরোল ৭৪না ঙাক্তুনা লাক্লিবা অপূনবা মণিপুরগী ঙমখৈ অসি হৌজিক্কী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মতম অসিদা শোয়দনা কাইখ্রগদ্রা হায়না মীয়ামগী নিংদোন পোম্নরিবনি। অদুমক ওইদুনসু হৌজিক্কী লৈঙাক অসিনা অপূনবা মরিপুরগী শক্তম ঙাক্কনি-ঙাক্কনি হায়না তোয়না লাউরিবসিনা করিগীনো হায়না হংনরক্লিবনি। হোম মিনিষ্টরনা হেক লাক্লম্বগী নোংঙানবদা কুকি মিলিটেন্টশিং ওইরমগনি চিংনবশিংনা এম্বুশ তৌরক্তুনা জিরি লম্বীগী তোলেন কুকি খুলদা পেট্রোলিয়ম অমসুং গ্যাস পুরকপা গাড়ীশিং অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। লাইবক থীবা থৌদোক অসি ১৭৫শুবা সী আর পি এফনা এস্কোর্ট তৌদুনা লাকখিবনি হায়না পাউচেশিংদা হায়রি। মহৌশাদগী কুকি মিলিটেন্টশিংগা অসাম রাইফলশিংগা নক্লবা মরী লৈনৈ হায়নদুনা লাক্লিবনি। খুদক্তা নোংমৈ কাপখিদবা অমসুং মীফা মীপূনগী পাউ অমত্তা লৈখিদবনা থৌদোক অসি মীয়াম্না চিংনরিবদুদা অদুমক পোপ তারকপগুম তৌরক্লি। ভোট মতুং লান অমুক হৌরকখিগনি হায়নবদু চুমগদৌরিবরা চিংনরক্লি। মাঙজৌননা মীয়াম্না খন্দুনা লৈরিবনি, পূম্নমক মীয়াম্না খঙই, ভোটতি মীয়াম্না তূমিন্না নমগদৌবনি, লান মরক্তা পাঙথোক্লিবা ভোট ওইবনা ‘ভোটকী লাননা অশেংবা লানবু খুদুম চল্লকপা’ হায়বসি তাহল্লগুমসি, ভোট হায়বসিদি মীয়ামগী খুবী মতোন্দা লৈবনি হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা খঙহল্লসি হায়না পূম্নমক্কী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। মীয়াম্না নুংঙাইজদবদি, পেট্রোল ফংহৌদদুনা ঈশিং হোনবা গাড়ীশিং ঈশিংগী মমল হেনগৎলকদ্রা হায়না মীপাইজরিবনি। মরমদি নোংজুথাদা নোং তারক্ত্রবদি থাবুম ৪/৫দি লৈঙাক্লা ঈশিং থারক্তবা কুমজা য়াল্লক্লবনি।

চৎলিবা চৈচৎ অসিগী হৌখিবা এপ্রিল ২৯দা ‘সূ’ চৎনবগী অরোইবা নুমিৎ ওইখ্রবনি, শাংদোকপা নৎত্রগা শাংদোক্তবগী ৱাফমসি মীয়াম্না অশেংবা খঙনদ্রিবনি। ৱাফমসিগী মতাংদা কোংগ্রেসকী ইন্নর মণিপুরগী কেন্দিদেট ওইরিবা বিমোল অকোইজমনা হায়রি মদুদি ‘সূ’ এক্সটেসন তৌবা অমসুং তৌদবা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা নত্তে, মণিপুর লৈঙাক্কী প্রোভিজনগী মখা পোল্লি হায়না ইন্নরিবা ‘সূ’ এগ্রীমেন্ট অদুদা অদুমক য়াওরিবনি হায়না হায়নরিবসিনা মীচম মীয়াম পূম্নমক্কী মীকপ থোকহল্লে বিমোলবু থাগৎচরি। মথংদা য়ুনাইটেদ কুকি নেসনল আর্মি (য়ু কে এন এ) না থা অসিগী ১৬তা থোকপা প্রেস রিলিজ অমনা হায়রি মদুদি নুমিৎ অদুমক্কী অয়ূক্কী পুং ১০ রোম তারকপদা তৌখিবা এম্বুশ অদু লূপ অসিনা থোকহনখিবনি হায়বসিনি। অসুম্না ইরায় লায়না প্রেস রিলিজ থোক্লিবা লূপ অসিগী মথক্তা করিগী এক্সন লৌবা ঙমদ্রিবনো হায়বসিনি। অসিগুম্লবা য়াম্না তোন্না, পাম্বৈ লৈত্রবা তানফম অসিদা পাঙথোক্লিবা ভোট অসিদি ‘ভোটকী লান্না অশেংবা লানবু খুদুম চল্লকপা’ হায়বদুমক থোক্লবনি হায়না থমজরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।